# পাকিস্তাননা এয়র ষ্ট্রাইক চথৱদা মীচম কয়া শিখ্রবা মতুংদা অফঘানিষ্টাননা ইস্লামাবাদতা অকনবা ৱার্নিং পীখ্রে

কাবুল, এপ্রিল ১৭ (এজেন্সী):
হন্দক্তা পাকিস্তাননা অফঘানিষ্টানগী খোষ্ট অমসুং কুনাল প্রোভিন্সশিংদা এয়র ষ্ট্রাইক কয়া চথখিববু অফঘান গভর্নমেন্টগী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটিগী দিপ্যুটি মিনিষ্টর অমসুং চীফ স্পোক্স পার্সননা অকনবা মওংদা কন্দেম তৌখ্রে অমসুং অসিগুম্বা খোঙথাংশিং অমুক হন্না চথরক্লবদি অরুবা ফিভম কয়া মায়োক্নরক্কনি হায়না ৱার্নিং তৌখ্রে।

চীফ স্পোক্সমেন জাবিউল্লা মুজাহিটনা মখা তানা হায়খি, মদুদি য়ুএসপু মায়থীবা পীদুনা অফঘানশিংনা মখোয়গী মরৈবাকপু য়েক্লবগী পামদবা থৌওংশিংদগী ঙাকথোকচবা ঙম্মী হায়বসি প্রুফ তৌখ্রে। অদুনা পাকিস্তাননা অফঘানিষ্টানগী মীয়ামগী অখাং কনবগী মতৌবু চাংয়েং তৌনবা হোৎনরোইদবনি।

ইস্যু অসি ঐখোয়না দিপ্লোমেটিক চেন্নেলশিং অমসুং নিগোসিএসনগী খুথাংদা লৈখায় তানবা অঙম্বা থাক্তগা হোৎনরি। অসিগুম্বা থৌওংশিং অসিনা পাকিস্তান অমসুং অফঘানিষ্টানগী মরক্তা উংখৎনবা ফিভম লাকহন্দুনা লৈবাক অনীগী মরক্তা লান থোকহল্লকপা য়াই। মসি কনামত্তগী অপাম্বা নত্তে।





মুজাহিটনা মখা তারদুনা খোষ্ট প্রোভিন্সতা ৱাজিরিষ্টানগী রিফ্যুজিশিংদা টার্গেট তৌখি। মদুদা নুপী অমসুং অঙাং কয়া শিখি।

পনবা য়াবদি পাকিস্তানগী এয়রক্রাফটশিংনা সাউথ ইষ্টর্ন খোষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী স্পেরা দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা মীচমশিংগী য়ুমশিংদা বোম থাদখিবদা য়ামদ্রবদা মীচম ৬০ শিখিবনি। ইস্লামিক এমিরেট ওফ অফঘানিষ্টানগী ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা কাবুলদা লৈবা পাকিস্তানগী এম্বেসেদর মান্সুর অহমদ খানবু মিনিষ্ট্রি অসিদা কৌখৎখি অমসুং মতুংদা অসিগুম্বা এটেক্টশিং থিংননবা হায়খি।

অফঘান ওফিসিএলশিংনা বোম্বিং অদুবু কন্দেম তৌখি অমসুং তুংদা অসিগুম্বা এয়রষ্ট্রাইকশিং চথহন্দনবা পাকিস্তাননি ওথোরিটিশিংদা তকশিনখি।

অফঘান ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা হায়, কুনাল অমসুং খোষ্ট প্রোভিন্সশিংদা চথরকখিবশিং য়াওনা মিলিটরি এনক্রোসমেন্ট পুন্নমক থিংগদবনি। অসিগুম্বা থৌওংশিং অসি মখা তানা চথরক্লবদি পাকিস্তান অমসুং অফঘানিষ্টানগী বাই লেটেরেল মরীদা অকায়বা লাক্কনি।

পাকিস্তাননি জেটশিংনা অফঘানিষ্টানগী খোষ্ট অমসুং কুনাল প্রোভিন্সশিংদা এয়র ষ্ট্রাইক কয়া চথখিবা অদুবু য়ুনাইটেদ নেসন্স এসিষ্টেন্স মিশন ইন অফঘানিষ্টান (য়ুএনএএমএ) না য়ানিংদবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা মীচম কয়া শিহনবা অসি নুংনাংনিংঙাই ওই হায়খ্রে।

ট্যুটর পোষ্ট অমদা য়ুএনএএমএনা হায়খি, মদুদি মখোয়না গ্রাউন্দগী হেদশিং খঙদোক্লবা অমসুং অমাঙ অতা অমদি মীশি মীনা থোকখিবশিং ভেরিফাই তৌনবা হোৎনরি। হৌখিবা অহিংদা খোষ্ট অমসুং কুনাল প্রোভিন্সশিংদা এয়র ষ্ট্রাইক কয়া চথখিবদা নুপী অমসুং অঙাংশিং য়াওনা মীচম কয়া শিখিবসি য়ুএনএএমএনা তরাইনা লৌদে হায়না ত্বিট অদুনা মখা তাখি।

পাকিস্তাননি জেটশিংনা এয়র ষ্ট্রাইক চথৱদা মীচম কয়া শিখিবগী মায়োক্তা থাংজ নুমিৎকী নুংথিলদা খোষ্ট প্রোভিন্সতা পাকিস্তানগী মায়োক্তগা দেমোন্সট্রেসন পাঙথোকখ্রে।

বোম্বিং অদুবু অফঘানশিংনা সোসল মেদিয়াদা অকনবা মওংদা কন্দেম তৌখি।

অফঘানিষ্টানগী হান্নগী প্রসিদেন্ট হামিদ কর্জাইনসু এয়র ষ্ট্রাইকশিং অদুদা রিএক্ট তৌরদুনা মদু মীওইবা খুন্নাইগী মায়োক্তা চথবা ক্রাইম অমনি অমসুং অফঘানিষ্টানগী নেসনেল সোভরেন্টি অমসুং ইন্টরনেসনেল প্রিন্সিপলশিং খোঙ্গাওনবনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

হামিদ কর্জাইনা পাকিস্তানদা লৈবাক অসিগী পোলিসিশিংদা অহোংবা পুরক্তুনা লমদম অদুদা টেরোরিজম মুথৎনবা অফঘানিষ্টানগা অফবা মরী লৈহন্নবা আপিল তৌখি।

# সাউথ কেরোলিনাগী সোপ্পিং মোলদা নোংমৈ কাপ্পদা মীওই ১৪ শোক্লে, সস্পেক্ট ফারে

কলম্বিয়া, এপ্রিল ১৭ (এজেন্সী):
সাউথ কেরোলিনাগী কেপিটেলদা থাংজ নুমিত্তা সোপ্পিং মোল অমদা থোকখিবা মীওই ১৪ অশোক অপন নঙখিবা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক্তা মরী লৈননা পুলিসনা মশাগী চহী ২২ শুরবা নুপা অমা ফাখ্রে।



কলম্বিয়া পুলিসকী চীফ দব্লিয়ুঐচ স্কিপ হোলদুক্লা হায়খি, মদুদি লো এনফোর্সমেন্টনা পার্সন ওফ ইন্টরেষ্ট অমনি হায়না দিটেন তৌখিবা মীওই অহুমগী মনুংদা অমা মখা তানা পুলিস কষ্টদিদা লৈরি অমসুং মহাক লোনা য়াদবা মওংদা পিষ্টল অমা পুরম্বগী মরাল শীরবা য়াই।

সস্পেক্ট অদু এটোর্নি অমা য়াওব্রা হায়বদুদি খুদক্কী ওইনা খঙবা ঙমখিদে। থাংজ নুমিৎকী নুমিদাংদা থাদোরকখিবা ন্যুজ রিলিজ অমদা হোলব্রুকনা ফোঙদোরকখিবদা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক অদুদা মীওই ১৪ অশোক অপন নঙখি। মীওইশিং অদু চহী ১৫ দগী ৭৩ ফাওবগী মনুংদা লৈবশিংনি।

পুলিসকী মতুং ইন্না থৌদোক অদুদা মীওই মাপন নোংমৈনা পান্দুনা শোকখি অমসুং অতৈ মঙানা মোল অদুদগী শাফগদবা মফমদা চেন্থোক্লবা হোৎনবদা শোকখিবনি।

থৌদোক অদুগী মতুংদা মেদিকেল ট্রিটমেন্ট মখা তানা পীরিবা অমত্তা ঙাইরবা ভিক্তিমদি মশাগী চহী ৭৩ শুরবা মীওই অদুনি। অতৈ ভিক্তিশিংদি ট্রিটমেন্ট পীরবা মতুংদা থাদোকখি। থৌদোক অদুদা মীওই অমত্তা শিখিদে।

থৌদোক অদু থোকখিবা মতমদা মোল অদুদা লৈখিবা জেনরেল জোন্সন কৌবা মীওই অমনা ফোঙদোরকখিবদা মহাক অমসুং মহাক্কী ইমুং অল্লাবামাদগী লাকখি অমসুং ফুদ কোর্ট অমদা চারিঙৈদা নোংমৈ কাপ্পগী মখোল তারকখি অমসুং মীওই কয়া চেনবা উখি।

মীওই কয়ানা মখোয়গী মচা মশুশিংগীদমক্তা কপ লাউনখি। মীপুম খুদিংমক্না মোল অদুদগী মপানদা চেন্থোক্লবা হোৎনখি। ঐহাক্না মফম অদুদগী মপানদা থোক্লকখিবা মতমদা অঙাংগী ষ্টোল্লরশিং মথঙ্গা ওনবা অমদি ফোননচিংবা পোৎচৈশিং মথোঙ মরম খঙদনা হুন্দোক্লম্বা উখি।

নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক অদুগী মতুং ঙাইহাক্কী মনুংদা পুলিস পার্সনেলশিং মফম অদুদা মখা তানা থোমজিল্লকখি। ওফিসিএলশিং নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক থোকফম অদুদা ইমুং মনুংশিং পুনফম ওইনা ঙাইহাক্কী মনুংদা শেমখিবা অনকপদা লৈবা হোটেল অমগী মপানদা পুলিস পার্সনেলশিং দিপ্লোই তৌখি।

ষ্টোর খরগী ৱার্করশিং থাংজ নুমিৎকী নুমিদাংদা হাঙলবা পার্কিং এরিয়াদা পুল্লগা লৈবা উখি। মখোয় মতুং তারকপদা পুলিসনা ষ্টোরশিং অদুদা অমুক হন্না চঙহন্দুনা মখোয়গী পোৎচৈশিং লৌথোকহনখি।

# ন্যুক ইফিসিএন্সি হেনগৎহন্নবা নোর্থ কোরিয়ানা অনৌবা টেক্টিকেল খুৎলায় মায় পাক্লা চাংয়েং তৌখ্রে

সিওল, এপ্রিল ১৭ (এজেন্সী):
নোর্থ কোরিয়াগী কেপিটেল ওপরেসনশিংগী ইফিসিএন্সি হেনগৎহন্নবগী পান্দমগা লোয়ননা লৈবাক অসিনা অনৌবা টেক্টিকেল গাইদেদ খুৎলায় অমা লৈবাক অসিগী লুচিংবা কিম জোং-উনগী মীৎয়েং মখাদা মায় পাক্লা চাংয়েং তৌখ্রে হায়না নোংমাইজিং নুমিৎতা পিওংয়াংগী ষ্টেট মিদিয়ানা লাউথোকখ্রে।



ওফিসিএল কোরিয়ান সেন্ট্রেল ন্যুজ এজেন্সি (কেসিএনএ) না হায়, অনৌবা খুৎলায় সিষ্টেম অদুনা ফ্রন্ট লাইনদা শীজিন্নবা লোং-রেঞ্জ আর্টিলরি য়ুনিটশিংগী ফায়র পৱার শিংথানিংঙাই ওইনা হেনগৎহনবদা নত্তনা দিপিআরকেগী টেক্টিকেল ন্যুকশিংগী ওপরেসনদসু ইফিসিএন্সি হেনগৎহল্লি অমসুং মখোয়গী ফায়র পৱার মিশনশিং হেনগৎহল্লি।

য়োনহাপ ন্যুজ এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়, টেষ্ট ফায়র অদু মায় পাক্লা পাঙথোকখি হায়না কেসিএনএনা ফোঙদোরকখি।

তৌইগুম্বসুং টেষ্ট তৌরিবা খুৎলায় অদুগী টাইপ য়াওনা মদুগী অকুপ্পশিংদি পনখিদে। চাংয়েং অদুগী মতুং ইন্না সাউথ কোরিয়াগী মিলিটরিনা ফোঙদোরকখিবদা লোকেল মতমদা থাংজ নুমিৎকী নুমিদাংৱাইরম পুং ৬ রোম তাবদা নোর্থনা ইষ্ট সীদা প্রোজেক্টাইল অনী কাপশিনখি হায়বসি খঙবা ঙমখি।

প্রোজেক্টাইল অদু মার্ক মরিগী খোঙজেলদা কিলোমিটর ১১০ ফাওবা পায়খি। লোঞ্চ অদুগী মতুং মতম ইকান কান্নদনা প্রসিদেন্সিএল নেসনেল সেক্যুরিটি ওফিস, মিলিটরি অমসুং ইন্টলিজেন্স এজেন্সিশিংনা ইম্মর্জেন্সি মীফম অমা পাঙথোক্তুনা মদুবু খন্নখি হায়না জোইন্ট চীফস ওফ ষ্টাফনা ফোঙদোরকখি।

ওবজার্বরশিংনা হায়খি, মদুদি নোর্থ কোরিয়ানা নৌনা দিভলপ তৌবা হেভি আর্টিল্লারি সিষ্টেম অমা নত্ত্রগা অপগ্রেদ তৌবা কেএন-২৩ মিসাইল চাংয়েং তৌখিবা মাল্লি। মিসাইলশিং অদু য়ুএসকী আর্মি টেক্টিকেল মিসাইল সিষ্টেমগা মান্নবা নোর্থ কোরিয়াগী ভর্জননি।

কেসিএনএনা থাগৎলকপা ফোটোশিংদা ট্রান্সপোর্টর ইরেক্টর লোঞ্চর (টিইএল) দা ট্যুব অনী য়াওবা অমসুং টেক্টিকেল খুৎলায় অদু মপানদা য়েংবদা কেএন-২৩ মিসাইলগা মান্নবগী শক্তমশিং উবা ফঙখি। মিসাইল অদু রসিয়াগী স্কান্দর বালিষ্টিক মিসাইলগী মোদেলদা শাবনি। নোর্থ কোরিয়ানা টিইএল ট্যুব কয়া শীজিন্নরকপা য়ানবা মওংদা মিসাইল অদু মোদিফাইদ তৌরম্বা য়াই হায়রি।

কেএন-২৩ অসিগী ফ্লাইট রেঞ্জ কিলোমিটর ৪০০ দগী ৬০০ ফাওবা ওইদুনা সাউথ কোরিয়াদা লৈবা টার্গেটশিং হিট তৌবা ঙম্বা য়াই হায়রি।

মিসাইল অসি জেনরেল পেরাবোলিক ট্রাজেক্টরি অমদা পায়বগী মহুত্তা তোঙানবা লম্বী অমদা পায়বা ঙম্মী। মদুবু পুল-অপ মেনুভর হায়না খঙনৈ। খ্বাইদগী নৌবা লোঞ্চ অদুবু য়েংশিনখিবা কিম জোং উননা লৈবাক অদুগী দিফেন্স কেপেবিলিটিশিং অমদি ন্যুক্লিয়র কম্বেট ফোর্সশিং মখা তানা শেমগৎনবগী মতাংদা মরু ওইবা ইন্সট্রক্সনশিং পীখি হায়না কেসিএনএগী রিপোর্ট অদুনা মখা তাখি।

# ইস্লামিক ষ্টেটকী এটেক্টতা ইরাক্কী হাসদ সাবি পেরা মিলিটরি ফোর্সকী মীওই অনী শিখ্রে, এক্সিদেন্টদা মরি শিখ্রে

বাঘদাদ, এপ্রিল ১৭ (এজেন্সী):
ইরাক্কী কেপিটেল বাঘদাদকী অৱাংদা ইস্লামিক ষ্টেট (আইএস) মিলিটেন্টশিংনা চথখিবা এটেক্ট অমদা লৈবাক অসিগী হাসদ সাবি পেরা মিলিটরি ফোর্সকী মীওই অনী শিখ্রে অমসুং নোংচুপ থংবা ইরাক্তা থোকখিবা ট্রাফিক এক্সিদেন্ট অমদা পেরা মিলিটরি ফোর্স অসিগী অতোপ্পা মীওই মরি শিখ্রে হায়রি।



হাসদ সাবিগী মেম্বর অনী অদু থাংজ নুমিত্তা সলাউদ্দিন প্রোভিন্সকী নোংপোক থংবা শরুক্তা লৈবা অল-ইট এরিয়াদা লৈবা মখোয়গী বেজতা আইএএস মিলিটেন্টশিংনা এটেক্ট তৌবদা শিখিবনি হায়না হাসদ সাবিনা ষ্টেটমেন্ট অমদা ফোঙদোরক্লি।

এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়, কুমজা ২০১৭ দা ইরাক্কী ফোর্সশিংনা ইস্লামিক ষ্টেটপু মায়থীবা পীখিবদগী লৈবাক অসিদা সেক্যুরিটিগী ফিভম ফগৎলকখি।

অদুম ওইনমক মিলিটেন্ট গ্রুপ অসিগী লৈহৌরিবা মেম্বর কয়া অর্বান সেন্টরশিং, লৈকংলাগী লমশিং অমদি চীংনুং মানুংশিংদা চঙশিন্দুনা লৈশিনখি অমদি মখোয়না সেক্যুরিটি ফোর্সশিং অমদি মীচমশিংগী মায়োক্তা তোইনা গুরেল্লা এটেক্টশিং পাঙথোক্তুনা লাকখি।

অনবার প্রোভিন্সকী পুলিস ওফিসার লেফটনেন্ট কর্নেল মোহম্মদ অল-দুলাইমিনা ফোঙদোরকখিবদা থাংজ নুমিত্তা কেপিটেল বাঘদাদকী নোংচুপলোমদা কিলোমিটর ৩৯০ রোম লাপ্না লৈবা রুদবা টাউনগা নক্লবা মফম অমদা থোকখিবা ট্রাফিক এক্সিদেন্ট অমদা হাসদ সাবিগী মেম্বর মরি শিখি অমসুং অতৈ তরুক্না অশোক অপন নঙখি।অল-দুলাইমিগী মতুং ইন্না এক্সিদেন্ট অদু হাসদ সাবিগী মেম্বরশিং পুবা গাড়ী অমা রুদবা টাউনগা নক্লনা হায়ৱেদা লোংবদগী থোকখিবনি।

চৈরকসিদা ইরাক্কী কেপিটেল বাঘদাদকী খারোমদা থোকখিবা কার এক্সিদেন্ট অমদা স্কুলগী ওজা মাপন য়াওনা মীওই ১৩ শিখ্রে অমসুং অতৈ মীওই মরি অশোক অপন নঙখ্রে হায়না নোংমাইজিং নুমিত্তা ইরাক্কী ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোরক্লি।

# পাকিস্তানগী পঞ্জাবতা এসেমব্লিদা পুলিস চঙদুনা লোমেক্করশিং ফাখ্রে

লাহোর, এপ্রিল ১৭ (এজেন্সী):
মমাঙদা অমুক্তা থোকখিদ্রিবা থৌদোক অমদা পাকিস্তানগী পঞ্জাব এসেমব্লিদা পুলিস চঙলগা পাকিস্তান টেহরিক-ই-ইনসাফ (পিটিআই) গী মেম্বর মরি ফাখ্রে হায়না মিদিয়া রিপোর্টশিংনা হায়রি।

লোমেক্করশিং অদু দিপ্যুটি স্পিকরদা এটেক্ট তৌবা অমদি চরাংনবা থোকহনবগীদমক ফাবনি হায়না রিপোর্টশিং অদুনা মখা তারি।



এসেমব্লি হোল অদুগী মনুংগী ভিদিওশিংদা রাইওটকী ফিজেল শেৎপা পুলিস ফোর্স কাঙবু অমনা হাউসকী প্রোসিদিংশিংদা অয়েৎ অপন থোকহনখিবা মেম্বর খরা হোল অদুদগী লৌথোক্লবা হোৎনবগী শক্তম উখি।

মেম্বরশিং অদু দিপ্যুটি স্পিকর দোস মোহম্মদ মজারিদা এটেক্ট তৌখিবশিংনি।

অনৌবা সিএম খন্ননবগীদমক্তা থাংজ নুমিত্তা এসেমব্লিগী মীফম পাঙথোকখি। তৌইগুম্বসুং মীফম অদু হেক হৌবগা চরাংনবা থোরকখি। সেসন অদু হেক হৌবগা পিটিআইগী মেম্বরশিংনা হোল মনুংদা লাক্ল-ফান য়াদনা চরাংনবা হৌরকখি। মখোয়না সেসন অদুগী চিয়র লৌরিবা দিপ্যুটি স্পিকর মজরিদা এটেক্ট তৌনবা হোৎনখি। মজরিবু পিটিআইগী মেম্বরশিং অদুনা মমায়দা খুপাকনা ফাওবা থাখি।

থৌদোক অদুগী মতুংদা মহাকপু সার্জেন্ট সেক্যুরিটি কাঙবুশিংনা ঙাক শেন্দুনা পুথোকখি। ভাইওলেন্স অদুগী মতুংদা এসেমব্লি প্রেমিসেসতা লৈরিবা এন্টি রাইওট ফোর্সকী পার্সনেলশিং এসেমব্লি হোল অদুদা চঙখি।

অদুম ওইনমক পিটিআইগী মেম্বরশিংনা মখোয়দা ওবজেক্সন তৌরকপদগী মতুং তাবদা মখোয় হোল অদু থাদোকখি। এসেমব্লি সেক্রেটরিএটনা ইস্যু তৌখিবা সিঙ্গল পোইন্ট এজেন্দগী মতুং ইন্না অনৌবা চীফ মিনিষ্টর খন্নবগীদমক থাংজ নুমিত্তা মেম্বরশিং ভোট লৌনগদবনি। ভোট অদুদা পাকিস্তান মুস্লিম লিগ-নৱাজ (টিএমএল) গী হমজা সহবাজনা পাকিস্তান মুস্লিম লিগ-ক্যুগী চৌধুরি পর্বাহিজ ইলাহিদা লম্বা তৌনরিবনি।

পাকিস্তানগী অতোপ্পা পাউ অমদা ইমরান খানবু পাকিস্তানগী প্রাইম মিনিষ্টরগী ফমদগী চিংথুখিবদা মরু ওইবা থৌদাং লৌখিবা মীশকশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা পিপিপিগী কো-চিয়ারমেন অসিফ অলি জর্দারিনা মহাক্কী পার্টিনা মিনিষ্ট্রি অমত্তা পায়রোই হায়না লাউথোকখ্রে।

থাংজ নুমিত্তা পার্লিয়ামেন্ট হাউসতা পাউমীশিংদা ৱা ঙাঙবদা জর্দারিনা হায়খি, মদুদি মখোয়না মরুপ মপাংশিংবু হান্না মিনিষ্টরশিং ওইহনবা পাম্মী।

মশক মমিং ফোঙদোক্লিংদবা পিপিপিগী সিনিয়র লিদর অমনা হায়খি, মদুদি পিপিপিনা কোলিসন পার্টনরশিংদা শকখিবা ৱাশকশিং অমসুং মখোয়গা য়ান্নখিবশিং থুংহনবা পাম্মী।

OFFICE OF THE
KANGPAT KHULLEN VILLAGE AUTHRITY
B.P.O. KANGPAT
Kamjong District, Manipur(795145)

## / NOTIFICATION

16/04/2022

This is to notify the general public, as well as to Shri Kaphungyui Asare of Sorbung Village and his followers who are claiming Choro land of Kangpat.

Firstly, The arbitrary order of the then SDO/Kamjong authorised Shri Kaphungyui Asare to establish a village in the year 2012 vide order no. SDO/KJG/4/2007, Dated 30-04-2012. This impugned order of the SDO/Kamjong has been quashed and set aside by the Honourable High Court of Manipur vide order- W.P (c) NO. 441 of 2012, Dated27-06-2017.

Secondly, The then DC/DM of Kamjong has also quashed and set aside the impugned order of the SDO/Kamjong, Dated 30-04-2012 vide office order No.2/1(Rev)/Land/DC-Kmj-2017, Dated 29-09-2018.

Thirdly, The Tangkhul Naga Zingsho Langphang (TNZL) has clarified on 08-8-2015 that the claim of chairmanship and ownership of Z.Choro land by Shri .Kaphungyui is a self proclamation and is null and void.

Fourthly, Shri S. Ngamkhothang Haokip brother of S. Tongam Haokip chief of Choro KL Kuki Village has categorically stated on 10-03-2014 and 28-02-2016, that his family have no relation with Shri Kaphungyui and no dealing of Choro land has been made with him except with Kangpat Khullen. Further, the sale deed of Shri Kaphungyui with Jamkhomang Haokip, Dated 13-06-2006 is outrightly untrue and rejected by his family as it was fake and fraudulent. For there has been no witness from his family (The land owner). When S.Tongam was still alive they had written as late Tongam on 13-06-2006. When in reality Pu S.Tongam Haokip only expired on 09-07-2012, as per his death certificate.

Fifthly, The Raizan Long Karot in their Civil case No.01/RLK/07-09-2021, Dated 21-12-2021 has declared that Shri Kaphungyui Asare has no right over Choro land.

Now, Shri Kaphungyui Asare and his followers are clearly encroachers and trespassers of Kangpat Choro land. His present camp is in Yangouphai area of Choro Khunou. He has no right to stay there since Shri Khupthang Zou, chief of Choro Khunou Village had handover his land to Kangpat Khullen on 12-02-2009.

From today onward, Shri Kaphungyui is directed to stop selling land, timbers and stealing Govt Schemes without the permission of Kangpat KL. It is contemplating to take strong action against Shri Kaphungyui under customary law as deemed fit. Any individual and organisation who has purchased pieces of land from Kaphungyui shall be forfeited.

**Sd/- Joshua Chithung Headman**
Kangpat Khullen.

HL-P/2282/18,19

SMART Society
Under the motto - Disperson of Self - Reliance
Regd. No. 253/SR/IW/2003(M)
SALAI

Ref. No. SMC/SUA/2022/101 Date: 17/04/2022

## স্মার্ট সোসাইটি / স্মার্ট য়ুনিভর্সেল একাদেমিনা খঙহঞ্জবা

হৌখিবা তাং ১৬ অমসুং ১৭ এপ্রিল ২০২২ গী প্রিন্ট এন্দ ইলেক্ট্রোনিক মেদিয়াদা নোংমাইথেম সঞ্জয় অমদি মহাক্কী কাঙবুনা স্মার্ট য়ুনিভর্সেল একাদেমি (এ য়ুনিট ওফ স্মার্ট সোসাইটি) গী মরমদা লৈবাক মীয়ামদা লান্না পাউথোকপীবগী মতাংদা স্মার্ট সোসাইটিনা শেংদোকচরি।

স্মার্ট য়ুনিভর্সেল একাদেমি, সেকমাইজিন খুনৌ অসি স্মার্ট সোসাইটিগী সবসিদারি য়ুনিট অমা ওইনা স্মার্ট সোসাইটিনা রন তৌজবা স্কুলনি। স্মার্ট য়ুনিভর্সেল একাদেমি অসিগী মঙম শান্না থৌ পাঙবা ঙমজনবগীদমক্তা সোসাইটিগী মেম্বর অমসু ওইরিবা লৈকায় অসিমক্তগী নোংমাইথেম সঞ্জয়বু স্কুল সেক্রেটরি ওইনা পে রোলদা এপোইন্টমেন্ট ওর্দর থোক্তুনা এপোইন্ট তৌজবনি। নোংমাইথেম সঞ্জয় অসি ষ্টাফ অমনি। স্কুল য়েংশিন্নবা থম্বা মীওই অমনা মতৌ করম্না স্মার্ট সোসাইটিগী মখাদা লৈরিবা স্কুল অমবু মশাগী মরন্নাইগী লন-থুমদৌনা হায়রকপা হায়বসি স্মার্ট সোসাইটিবু ফোঙনা শিংনবনি অমদি লৈবাক মীয়াম্বু উশিৎতবগী থৌওংনি। সলাই অমদি স্মার্ট সোসাইটিনা থেংনজরিবা কোর্টকী অমদি অচৌ অচৌবা এজেন্সিশিংনা থিজিনবগী থবক চথরিঙৈ চৈরক অসিদা স্মার্ট সোসাইটিবু লৈবাক মীয়াম্না লান্না উখিবা তারে হায়না খঞ্জবদগী তঙাই ফদনা নুংগী ওইবা ৱাফম খরদং থমজবা অসিদা মীয়াম্না অমদি মরী লৈনবশিংনা ৱারৌবীদনবা নোল্লুকচরি।

স্মার্ট য়ুনিভর্সেল একাদেমিগী লেন্দ রেকোর্দ অমদি প্রোপর্টি পুন্নমক স্মার্ট সোসাইটি/স্মার্ট য়ুনিভর্সেল একাদেমিগী মিংদা হৌজিক হৌজিকমক লৈরিবনি। সেকমাইজিন খুনৌ অমদি লৈবাক মীয়ামগী য়াইফনবগীদমক্তা, ডি স্কুল ওফ ডি ফ্যুচর মণিপুরগী পান্দম মখাদা শেমগৎ শাগৎচখিবা ফাউন্দেসন স্কুল অমনি। স্মার্ট সোসাইটি/স্মার্ট য়ুনিভর্সেল একাদেমি অসি হান্নদগী অমদি হৌজিকসু মীয়ামগীনি অমদি হৌগৎলক্লিবা মহৈরোয় খুন্নাইগী য়াইফনবনি। হায়রিবা মীওই অসিনা অমদি মহাক্না খোমজিনবা মীওই খরনা স্কুল অসিবু ফেমিলি বিজিনেস নত্ত্রগা মখোয় খরগী ওইবা ইন্টরেষ্টতা ফোঙদোরকপনি হায়বসি মখোয়না ফোঙদোরকপা ৱাফম্না ময়েক শেংহল্লে।

মাঙলমচৎতসু মহাক অসি স্কুলগী অঙাং ৱারক ৱাতেম্বদা কা হেঞ্জিল্লুবদগী পুলিস কেস অমা লৌখৎতুনা জেলদা ফাওবা লৈরুরবা মীওইনি অমদি সেক্রেটরি ফমদগী মতম খরসু লৌথোক্লুরবনি। হন্দক্তসু একাদেমিক সেসন ২০১৯-২০২০ অমসুং ২০২০-২০২১ গী অপদেট রিপোর্ট পীবিরকউ অমদি মীটিং তৌসি হায়না হঞ্জিন হঞ্জিন কৌবদা লাক্তবনা মরম ওইরগা স্কুল সেক্রেটরিগী ফম লৌথোকপা অমদি হান্নগী মেনেজমেন্ট এন্দ দিভলপমেন্ট কম্মিটি মুখৎপা হায়বা রিজোলুসন অসি এপ্রিল ২৩, ২০২১ দা মশাদা কোপি য়ৌহনখ্রবনি। হন্দক্কী হৌখিবা ২০২২ গী জেনরেল ইলেক্সনদা আরপিআই (এ) গী মীরেপ ওইখিবা অদুসু স্মার্ট সোসাইটিদা করিগুম্বা মখলগী রিপোর্ট অমত্তা পীরমদবনা অনিং-অনিংবা তৌবা মীওইনি হায়বসি তাকচরে। অদুগী মথক্তা স্কুলগী বস, ভেন অমসুং ট্রেক্টর সোসাইটিগী নোলেজ য়াওদনা ভন্দান (সেলস-মোর্গেজ) থমদোকপগী খুদম চাংদম সোসাইটিনা অমুক ফঙজবদগী একজিক্যুটিব বোদিনা এপ্রিল ৮, ২০২২ দা মীফম ফমদুনা মহাকপু স্কুল সেক্রেটরিদগী লৌথোক্তুনা হেদ ওফিসতা জোইন্ট সেক্রেটরি ওইনা ট্রান্সফর তৌরগা মশানা চুমথোকচনবগী তাঞ্জা অমা এপ্রিল ১২, ২০২২ দা পীখ্রবনি অমদি পাউচেশিংদা ফোঙখ্রবনি, লোয়ননা লৈকায়গী মীওই তরুক য়াওবা অনৌবা মেনেজমেন্ট এন্দ দিভলপমেন্ট কম্মিটি অমা শেমদুনা ইং তপ্পা স্কুল এটমোস্ফিয়ার অমা পুরক্লবা হোৎনবা অসিদা, মী খোমদুনা স্কুলদা কেম্প তৌশিনবা অমদি য়ুন্ফম য়াওদবা মরাল শীবা অরানবা ৱাফম কয়া প্রেস মিট তৌরকপনা মরম ওইরগা তঙাই ফদনা অশেংবা ৱাফমশিং অসি পাউচেগী খুথাংদা থমজরকপনি।

হৌজিক ওইরিবা সলাইগী চরাংনবা মরক অসিদা মশাগী ওইবা খুদোংচাবা লৌননবা হোৎনরকপা হায়বসি স্মার্ট সোসাইটিগী একজিক্যুটিব মেম্বর পুন্নমক্না ঙক্তবা ঙমদে অমদি চৎনবা য়ারোইদবা ৱারোল খরা পাউচেশিং অমদি ইলেক্ট্রোনিক মেদিয়াগী খুথাংদা থাদোরকপা হায়বসি লৈবাক মীয়ামদা চমম্নবা থোকহন্নবা হোৎনবনি। মরম অসিনা হৌজিক ওইরক্লিবা ফিভম অসিনা তঙাই ফদনা সোসাইটিগী চৎন কাংলোন থুগায়বগীদমক্তা স্মার্ট সোসাইটিগী ইম্মর্জেন্সি মীটিং অমনা এপ্রিল ১৬, ২০২২ দগী মহাকপু স্মার্ট সোসাইটিগী মেম্বরশিপতগী লৌথোকপগী ৱারেপ লৌজরে। মখা তানা স্মার্ট সোসাইটি -স্মার্ট য়ুনিভর্সেল একাদেমিগা মহাক্না হিরম অমত্তদা মরী অমত্তা লৈনদ্রে।

স্মার্ট সোসাইটিগী একজিক্যুটিব মেম্বরশিং উশিৎতবা-কিহল্লকপা, অকনবা ৱাহৈ ৱাতা শীজিন্নদুনা এপ্রিল ১৩, ২০২২ দা থল্লকপা হায়বসি য়াম্না লৈবাক মচা তাদবা মীগী ৱাঙাঙনি, তশেংনা হায়রবদা "লৌ মপু য়োংনা তানবা" হায়বদুমক থোক্লে।

মরম অসিনা মহাক মশামক অমদি মহাক্কী তুংইনবা মীওই খরনা চথরক্লিবা থৌওংশিং অসিনা স্কুলগী একাদেমিক এটমোস্ফিয়র অমদি লৈবাক মীয়ামদা অকায়বা পীরকপা তারবদি মদুগী অফ-ফত্ত পুন্নমক মখোয়না পুগদবনি। মখা তানা পাউচে অমদি ইলেক্ট্রোনিক মিদিয়াগী থোঙদা অৱাই অখুম তৌজরোই৷ লিগেলগী, ৱায়েলশঙদগী অদুম লাকচরনি। অদুনা মরম ওইরগা মপুনা কনানো, স্কুল শঙবনা কনানো হায়বসি লৈবাক মীয়ামদা অথুবা মতমদা ৱায়েল চৈরাক্কী মতুং ইন্না লাকচরগনি।

Sd/- **General Secretary**
SMART Society

HL-P/2281/18